# কন্ট্রেক্টর অমা সুইসাইদ তৌখিবগী ৱাথোক মরক্তা কর্নাটকাগী মিনিষ্টর ঈশ্বরাপ্পা রিজাইন তৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী):



কর্নাটকাগী মিনিষ্টর কেএস ঈশ্বরাপ্পানা শগোলশেল নুমিত্তা ষ্টেট কেপিটেলদা চীফ মিনিষ্টর বাসভরাজ বোমাইদা মহাক্কী রেজিগনেসন পীশিনখ্রে।

কন্ট্রেক্টর অমা সুইসাইদ তৌবগী ৱাখল পোকহনখি হায়না মহাকপু মরাল শীখিবা মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা মিনিষ্টর অসিনা চীফ মিনিষ্টরদা ফম থাদোকপগী চেরোল অদু পীশিনখিবনি।

কন্ট্রেক্টর অদুনা মহাক্কী সুইসাইদ নোটতা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী সেনিয়র লিদর অসিবু থবক্কা মরী লৈননা মঙোন্দগী শেল দিমান্দ তৌখি হায়না মরাল শীখি। মদুগী মমাঙদা বিজেপিগী লুচিংবা অসিনা টুমাকুরুদা লৈবা শ্রী সিদ্দাগঙ্গা মুটতা চৎতুনা লাইশোল পাঙথোকখি।

চীফ মিনিষ্টরগা উন্নদ্রিড়ৈগী মাঙওইননা ঈশ্বরাপ্পানা হায়খি, মদুদি মহাক্কী মিং লৈখিদ্রবা কন্ট্রেক্টর অদুনা শীরিবা মরালশিংদুদা চেন্নদে হায়বসি প্রুভ তৌরবা মতুংদা মহাক কেবিনেটতা অমুক হল্লক্কনি।

বিজেপিগী লুচিংবা অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ঐহাক্কী মায়োক্তা মরাল কয়া শীরক্লি। অসিগুম্বা মরাল শীবা ৱাফমশিং অসিগী মায়োক্তা ঐহাক মরাল লৈতে হায়বসি মতিক চানা প্রুভ তৌদুনা অমুক হন্না কেবিনেটতা হল্লক্কনি অমদি মখা তানা মিনিষ্টর ওইনা ষ্টেট অসিবু থৌগল তৌখিগনি। ঐহাক শীরক্লিবা মরালশিং অসিগা মরী লৈননা মরাল লৈতে হায়বসি প্রুভ তৌবদা মখা তানা মিনিষ্টর ওইনা লৈবা তারবদি ইনভেষ্টিগেসনদা খুদোংচারোই হায়বা ৱাখল্লোনদা যুম্ফম ওইরগা ফম থাদোকপগী ৱারেপ অসি লৌরকপনি হায়না মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৩৭ শুরবা সন্তোস পটিল কৌবা কন্ট্রেক্টর অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা উদুপিগী হোটেল অমদা শীরম্বা থেংনখিবনি। মহাক্কী সুইসাইদ নোটতা পটিলনা ঈশ্বরাপ্পা অমসুং মহাক্কী এইদশিংবু পন্দুনা লৈরিবা প্রোজেক্ট অমগী বিলশিং ক্লিয়র তৌনবগীদমক্তা কম্মিসন চাদ ৪০ পীরক্লবা দিমান্দ তৌখি হায়না মরাল শীখি।

ৱাটচঅপ মেসেজ অমদা পটিলনা এসোসিয়েটেশিং অমসুং জর্নেলিষ্ট খরদা করিগুম্বা মহাক্না শীবা তারবদি মিনিষ্টর অসিনা হকথেংননা মদুগী থৌদাং য়াগদবনি হায়রকখি।

শগোলশেল নুমিত্তা ঈশ্বরাপ্পা মহাক কেবিনেটতগী রিজাইন তৌনবা ৱারেপ লৌরে হায়না লাউথোকখি। ওপোজিসন্না অকনবা প্রেসর পীরকপদগী মহাক্না ফম থাদোক্নবগী ৱারেপ অদু লৌরকখিবনি।

অদুম ওইনমক সুইসাইদ নোটতা মহাক্কী মমিং পল্লল্লিবা কন্ট্রেক্টর অদু মহাক্না অমুক্তা উন্নখিবা লৈতে হায়না ঈশ্বরাপ্পানা ক্লেম তৌখি।

চৈরকসিদা কন্ট্রেক্টর সন্তোস পটিল সুইসাইদ তৌখিবগা মরী লৈননা পুলিসনা কেস অমা বুক তৌরবা ঈশ্বরাপ্পাদা শীরিবা মরালশিংগী মতাংদা চথুগদৌরিবা থিজিনবগী থবক অদু থা অনীদগীনা অহুম ফাওবগী মনুংদা লোইশিল্লগনি অমসুং মীশি অদুদা মহাক চেন্নদে হায়বসি প্রুফ তৌবগা লোয়ননা মহাক কেবিনেটতা অমুক হন্না য়াওগনি হায়না বিজেপিগী ষ্ট্রোংমেন অমসুং কর্নাটকাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিএস য়েদিউরাপ্পানা ফোঙদোকখ্রে।

বেঙ্গলুরুদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, মদুদি অরান অহুই অমত্তা তৌখিদবা ওইরবসু তঙাই ফদবা মরম খরদগী ঈশ্বরাপ্পানা ফম থাদোকপা মথৌ তারকপনি।

# হিন্দু এক্তিভিষ্টশিংনা টার্গেট তৌবা মুস্লিমশিংগী লিগেল লানগী থবক পিএফআইনা পায়খৎকদৌরি

বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী):



হন্দক্তা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা রাম নভামি কুম্ভে মনুংদা হিন্দু এক্তিভিষ্টশিং অমসুং পুলিস পার্সনেলশিংনা চথুখিবা এটেক্ট কয়াদা ভিক্তিমশিং ওইহৌরবা মুস্লিম কম্ম্যুনিটিগী মীওইশিং লিগেল লানগী থবক পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পিএফআই ) না পায়খৎলগনি হায়রি।

পিএফআইগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি অনিস অহমদনা ইরাই নুমিত্তা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা হিরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট পুম্নমক্তা মরু ওইনা বিজেপিনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা পিএফআইগী লিগেল সেলশিংনা ভিক্তিমশিংগা উন্নবগী থবক চথুরি।

রাজস্থানদা প্রোসেস চথবা হৌখ্রে অমসুং মধ্য প্রদেশতা ঐখোয়গী লিগেল কাউন্সেলশিংনা অথুবা মতমদা কম্ম্যুনিটি অসিগী ভিক্তিমশিং উন্নরগনি। চয়োল অমা নত্তগা অনীগী মনুংদা কেসশিং ফাইল তৌরগনি হায়না মহাক্না এক্সপ্লেন তৌখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পিএফআই লিগেল সেলনা কেরলাগী হাই প্রোফাইল হাবিয়া কেস হেন্দল তৌখিবগা লোয়ননা উত্তর প্রদেশকী মুজাফর নগরগী রাইওট কেসসু হেন্দল তৌখি। ষ্টেট খুদিংমক্তা ঐখোয়গী লিগেল টিমশিংনা ভিক্তিমশিং উন্নগনি অমসুং মখোয়দা লিগেল মতেং পীগনি।

মখোয়না ভিক্তিমশিংগীদমক্তা খ্বাইদগী ফবা উকিলশিং খন্দোক্কনি অমসুং মখোয়বু দোক্যুমেন্টেসনগা মরী লৈননা মতেং পাঙগনি। মসিনা ভিক্তিমশিংবু জষ্টিস অমসুং কম্পেন্সেসন ফঙহনবগী খুদোংচাবা পীরগনি।

পিএফআইগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি অসিনা হায়খি, মদুদি মরু ওইনা বিজেপিনা পানবা ষ্টেটশিংদা গভর্নমেন্টশিংনা মুস্লিমগী ভিক্তিমশিংবু টার্গেট তৌরি হায়বসি ঐখোয়না খঙবা ঙম্লে।

মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা য়ু এ পি এগুম্বা অকনবা কেসশিং ফাইল তৌরি। ভাইওলেন্সতা চেন্নবা আরএসএসকী ৱার্করশিংগী মায়োক্তা কেসশিং পীক্না ফাইল তৌরবসু মুস্লিমশিংবুদি চহী কয়া জেলদা নমদুনা থল্লি।

ষ্টেটনা তৌফম থোকপা লিগেল জষ্টিস ফঙহনবগী থবক পাঙথোক্তনা লৈরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# অন্ধ্রদগী লাকপা ফৌ পুবা ট্রকশিং টেলঙ্গানাদা চঙহনখিদ্রে

হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী):



টেলঙ্গানাগী ওথোরিটিশিংনা লৌমীশিংদগী ফৌ ৱানবা হৌখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিত্তা অন্ধ্র প্রদেশতগী ফৌ পুরগা লাকপা ট্রকশিং ষ্টেট অসিদা চঙহনখিদ্রে।

ফৌ পুবা ট্রক কয়া ইন্টর-ষ্টেট বোর্দরদা লৈবা চেক পোষ্টশিংদা খামহনখি। চঙবা থিংখিবগা লোয়ননা ট্রক কয়া পালনাদু দিষ্ট্রিক্টকী দাচেপোলি চেক পোষ্টতা পরেং ওইনা খামদুনা লৈবা উখি।

ট্রক দ্রাইভরশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মখোয় ফৌ পুথোক পুশিন তৌনবগী মতিক চাবা দোক্যুমেন্ট পুম্নমক য়াওরবসু চেক পোষ্টতা খামহনখি।

টেলঙ্গানাগী ওফিসিএলশিংনা ট্রক দ্রাইভরশিংদা হায়খি, মদুদি লোকেল লৌমীশিংদগী ফৌ ৱানবগী থবক লোইদ্রিবা ফাওবা মখোয় চঙবা য়ারোই।

ওফিসিএলশিংগী ৱাফম অদুগা মরী লৈননা ট্রক দ্রাইভরশিং অদুনা হায়খি, মদুদি মখোয়না মাঙজৌননা পাউ ফঙদবনা মরম ওইদুনা চেক পোষ্টতা খামহল্লিবা অদুনা মখোয়দা খুদোংচাদবা চাওনা থোকহল্লি।

ওফিসিএলশিংনা ট্রক দ্রাইভরশিং অদুদা অন্ধ্র প্রদেশতগী পুরক্লিবা ফৌ অদু টেলঙ্গানাদা লৈরোই হায়না শেংনা খঙহনখি। সেন্টরগা মুক্নবা মরক্তা টেলঙ্গানা কেবিনেটনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হৌজিক্কী রবি সিজন মনুংদা লৌমীশিংদগী ফৌ ৱাননবা ৱারেপ লৌখিবনি। হৌখিবা নুমিৎ নীনি অসিদা খুঙ্গং কয়াদা ফৌ ৱান্নবগী মফম কয়া হাংদোকখি।

সিবিল সপ্লাই মিনিষ্টর গঙ্গুলা কামালাকারনা ফোঙদোকখিবদা ফৌ পুবা ট্রকশিং টেলঙ্গানাদা চঙলকপা থিংনবা বোর্দরদা চেক পোষ্ট ৫১ লিংলে। সেন্টরনা টেলঙ্গানাগী লৌমীশিংদগী ফৌ লৈবগী ৱাফম য়াদবা অমদি চেঙ ওইনা লৈগনি হায়বা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌবখিবদগী ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৌমীশিংদগী ফৌ ৱানশিন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

ৱারেপ অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা দিল্লিদা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্ট অমা লুচিংখিবা চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা সেন্টরদা টেলঙ্গানাগী লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা ফৌথোক পুম্নমক লৈননবা দিমান্দ তৌখিবা মতুং নোংমা কান্নরগা লৌখিবনি।

গভর্নমেন্টনা টেলঙ্গানাগী লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা ফৌশিং অদু ৱানবদা ফৌ ক্বিন্টন অমদা লুপা ১৯৬০ পীগনি। শেনফম অসি লৌমীশিংগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা হকথেংননা হাপচিনগনি।

চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অদুগী লৌমীশিংদা মিনিমম সপোর্ট প্রাইজ (এমএসপি) দগী তাদনা ফৌ য়োন্দনবা আপিল তৌখিবনি। ষ্টেট গভর্নমেন্টগী শেঙ্গাওদগী লুপা ক্রোর ৩০০০ দগী লুপা ক্রোর ৩৫০০ ফাওবা মাঙবা য়াবগী ফিভম লৈদুনসু লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা ফৌ পুম্নমক ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লৈগনি হায়না মহাক্না লৌমীশিংদা থাজবা পীখি।

রবি সিজন মনুংদা টেলঙ্গানাগী লৌফম একর লাক্ষ ৩৫.৮৪ দা ফৌ থাবগী থবক পায়খত্তুনা লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাওনা ফৌ থাবা ষ্টেট ওইখি। অন্ধ্র প্রদেশনা একর লাক্ষ ১৬.৬৮ তা ফৌ থাদুনা লৈবাক অসিগী ওইনা ফৌ খ্বাইদগী য়াম্না থাবা অনীশুবা ষ্টেট ওইরি। রবি সিজন মনুংদা টেলঙ্গানাদা পুথোক্লিবা ফৌথোক অসি টন লাক্ষ ৮৩.৮৩ নি।

# য়ুক্রেনগী লান মরক্তা রসিয়ানা ইন্দিয়াদা এস-৪০০ মিসাইল সিষ্টেম পীবা হৌরে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী):



য়ুক্রেনগী লান অমসুং শেল থুমগী অথিংবা কয়াগী মরক্তা রসিয়ানা এস-৪০০ এদভান্স সর্ফেস-টু-এয়র মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমগী অনীশুবা স্কৱাদ্রোন ইন্দিয়াদা পীবা হৌরে হায়না ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হান্না থাখিবা মতম য়ৌদ্রিড়ৈগী মমাঙদা খুৎলায় সিষ্টেম অদু রসিয়ানা ইন্দিয়াদা পীবা হৌরকপনি হায়রি।

থা অসি লোইবা ফাওবগী মনুংদা ক্রিটিকেল সিষ্টেম অদু মপুং ফানা পীরক্লগনি অমসুং মদুগী মতুংদা মদু দিপ্লোই তৌগনি। এস-৪০০ সিষ্টেমগী অহানবা স্কৱাদ্রোন কুমজা ২০২১ গী দিসেম্বরদা ইন্দিয়াদা থুংলখি অমসুং মদুদগী পাকিষ্টান অমদি চাইনা অনীমক্তগী চথুরকপা য়াবা এয়র ষ্ট্রাইক খুদিংমক অরেম্বা তাহন্নবা পঞ্জাবকী বোর্দরদা দিপ্লোই তৌখি।

কুমজা ২০১৮ গী ওক্তোবরদা খুৎয়েক পীনখিবা দোল্লর বিলিয়ন ৫গী বিল অমগী খুথাংদা ইন্দিয়ানা রসিয়াদগী এস-৪০০ সিষ্টেম মঙা লৈখি। কিলোমিটর ৪০ অমসুং ৪০০ গী মরক্কী রেঞ্জতা লৈবা য়েক্নবগী এয়রক্রাফট নত্তগা মিসাইল অমবু কাপথবা ঙম্বা এস-৪০০ সিষ্টেম অদুগী য়ুনিট মঙামক কুমজা ২০২২ লোইবা ফাওবগী মনুংদা ওপরেস্নেল ওইরবা য়াই হায়না পরি।

এস-৪০০ সিষ্টেম অদু চাইনিজ নত্তগা পাকিষ্টানি ফাইটরশিংনা এয়র বেজশিংদগী হেক পায়খৎলকপা মীকুপতা ট্রেক্কিং তৌবা, এনগেজ তৌবা অমসুং হেন্দল তৌবা ঙম্মী। সিষ্টেম অসিনা মখল কয়াগী রেঞ্জশিংদা লৈরিবা টার্গেট কয়া ইরায় লাইনা খোঙ্গুল লীবগা লোয়ননা মতম অমত্তদা মখোয়বু মাঙহন তাকহনবা ঙম্মী।

কুমজা ২০২০ গী জুলাইদা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল পরিংদা ইন্দিয়ানা চাইনাগা কন্না মুক্নবা অমা লৈখিবা মতমদা লৈবাক অসিনা মসিগী মিলিটরি ইনফ্রাষ্ট্রকচর অপগ্রেদ তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

চাইনা অমসুং পাকিষ্টানদগী ফ্রন্ট লান অনী শোক্নবা য়াবগী অকিবা পীরকপনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়ানা রসিয়াগা অচৌবা খুৎলায়গী দিলশিং খুৎয়েক পীনখি। রসিয়া অসি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মরু ওইবা খুৎলায় সপ্লাইয়রশিংগী মনুংদা অমনি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনগা লান শোক্নখিবা মতুংদা মরু ওইরবা খুৎলায় সিষ্টেম অদু পীরকপদা মতম থিন্থরবা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈখি। অদুম ওইনমক এস-৪০০ সিষ্টেমগী অনীশুবা স্কৱাদ্রোন অদু পীরকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী অতৈ মিলিটরি কেপেবিলিটিশিং লৈবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

থা অসিগী অঙনবদা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রি সর্গি লাভরোব ইন্দিয়াদা লাকখি অমসুং মহাক্না পিএম নরেন্দ্র মোদি অমসুং ফোরেন মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করগা উন্নদুনা বাইলেটরেল মরীশিংগী মতাংদা খন্নবগা লোয়ননা মখোয়দা য়ুক্রেনগী লানগী মরমদা তমদুনা খঙহনখি।

# নোইদাদা অঙাং ৪৪ কোভিদ ১৯ কেস পোজিটিব ওইখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী):

হৌখিবা নুমিৎ তরেৎনিগী মতম অসিদা নোইদাদা অঙাং ৪৪ কোভিদ ১৯ কেসতা পোজিটিব ওইখি হায়না ইরাই নুমিত্তা চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. সুনিলকুমার শর্ম্মানা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা ডা. শর্ম্মানা হায়খি, মদুদি অঙাং ৪৪ দুগী মনুংদা ১৬ তি চহী ১৮ গী মখাদা লৈবশিংনি। কোভিদ কেসশিং হন্থরুরবা মতুংদা নোইদাদা লায়না অসিগী ইনফেক্সন অমুক হেনগৎলক্তুনা এক্তিব কেস মশিং ১৫০ হেল্লে হায়রি।


## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 78/SDC/IW-L/2022**

1) Tayenjam Nandakumar Singh, S/o (L) T. Bhuban Singh of Keishamthong Top Leirak
2) -do- Bijoykumar Singh, S/o (L) -do- of -do-
3) -do- Chandrakumar Singh, S/o (L) -do- of -do- - Petitioner

-VS-

Late Ashem (N) Tayenjam (O) Komolini Devi, W/o (L) Bhuban Singh of Keishamthong Top Leirak -OP/Party

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

11-4-2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার অসেম নিংঙোল তায়েঞ্জম ওংবী কোমোলিনি দেবী পতি মৃ: ভুবন সিংহ সাং কৈশামথোং তোপ লৈরক্কী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৯৫ তাওথোংগী অনৌবা পাট্টা নং ২৯/৮৬০, দাগ নং ১০৩৫, ১১১৭ গী এরিয়া .৯৭০১১ অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
IW-Lamsang

HL-P/2255/14



## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG

**Ref. Mut. Case No. 193/SDC/IW(H) of 2022**

1) Nameirakpam Shyam Singh, S/o (L) Nameirakpam Shamungou Singh of Malom Tuliyaima Mayai Leikai (0.505 acre from Dag No. 414 on the western portion)
2) Nameirakpam Nobo Singh, S/o (L) Nameirakpam Shamungou Singh of Malom Tuliyaima (0.54 acre from Dag No. 402) Petitioners/দংকারী

-Vs-

Late Nameirakpam Shamungou Singh, S/o (L) Sajou Singh of Kwakeithel Moirangpurel Leikai O.P/বিবাদি

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 13th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ই:ও: খুল নং ০১ নং-মালোম তুলিয়াইমা অনৌবা পাট্টা নং ৩৭৫/৪৯৪ নং হাল দাগ ৪০২ অমসুং ৪১৪ নং গী মোট এরিয়া ১.৫৫ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী কো-পাট্টাদার ১ নং নামৈরাকপম সামুঙৌ সিংহ মৃ: ওইখ্রে। পাট্টাদারগী মচানুপাশিং / দংকারীশিংনা মখোয়গী মমিংদা পাট্টাদারগী লমগী শরুক মখৈ (হায়বদি দাগ ৪০২ গী ০.৫৪ একর অমদি ৪১৪ গী মনুংদগী মনিং থংবদা ০.৫০৫ একর) নামজারী তৌবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্টা দরখাস্ত থারক্লে। পাট্টাগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২২/০৪/২০২২ ইং ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি তৌরবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাররোই। হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/2063/16



## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG

**Ref. Mut. Case No. 192/SDC/IW(H) of 2022**

1) Nameirakpam Dinamanjuri Devi, D/o (L) N. Shamungou & W/o Kolom Amuchou Singh of Takyel Kolom Leikai (0.285 acre from Dag No. 181)
2) Chandam Takeshwori Devi, D/o (L) N. Shamungou & W/o Ch. Ramananda Singh of Malom Tuliyaima (0.285 acre from Dag No. 181)
3) Nameirakpam Nobo Singh, S/o D/o (L) N. Shamungou Singh of Malom Tuliyaima (0.60 acre from Dag No. 409)
4) Nameirakpam Pratap Singh, S/o D/o (L) N. Shamungou of Malom Tuliyaima (0.63 acre from Dag No. 218 & 0.60 acre from Dag No. 409)

Petitioners/দংকারী

-Vs-

Late Nameirakpam Shamungou Singh, S/o (L) Sajou Singh of Kwakeithel Moirangpurel Leikai O.P/বিবাদি

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 13th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ই:ও: খুল নং ০১ নং-মালোম তুলিয়াইমা অনৌবা পাট্টা নং ৩৭৬ নং হাল দাগ ১৮১, ২১৮ অমসুং ৪০৯ নং গী মোট এরিয়া ২.৪০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী কো-পাট্টাদার ১ নং নামৈরাকপম সামুঙৌ সিংহ মৃ: ওইখ্রে। পাট্টাদারগী মচানুপা-নুপীশিং / দংকারীশিংনা মখোয়গী মমিংদা কো-পাট্টাদারগী লমগী শরুক মখৈ (হায়বদি দাগ ১৮১ গী ০.৫৭ একর, দাগ ২১৮গী ০.৬০ একর অমদি ৪০৯ গী মনুংদগী মখা থংবদা ১.২০ একর) নামজারী তৌবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্টা দরখাস্ত থারক্লে। পাট্টাগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২২/০৪/২০২২ ইং ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি তৌরবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাররোই। হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/2063/16








